**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী লিতান পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা নিউ হেভনদগী টি.এম. কসোমগী মরক্তা চেল্লিবা গাড়িশিংদা ঙসি শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাশিল্লকখ্রে।

২) মমাং থাগী ৭ তা বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবীদা বোম পোকখায়বদা লৈখিদ্রবা অঙাং অনিগী মথৌ মঙম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৩) রাজ্যগী ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট অমদি জি.এ.দিগী মন্ত্রি ওইনা থৌপুরম্বা এ.এস. অর্থর ঙসি লৈখিদ্রে। মহাকা লৈখিদবদা মুখ্য মন্ত্রি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

৪) ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি।

অমসুং

৫) অসাম, তামিলনাদু, কেরলম, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটেরি পুদুচেরি বিধান সভা মীখলগী ভোট মশিং লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থিনবা শেম শাবগী থবক চখরি।

------

উখ্রুল (এল)ঃ ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী লিতান পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা নিউ হেভনদগী টি.এম. কসোমগী মরক্তা চেল্লিবা গাড়িশিংদা ঙসি শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাশিল্লকখ্রে।

পুলিসকী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমীনা হায়- ঙসি নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদা থৌবাল তুরেলগী ৱাংমদা লৈবা চীংশাং পরেংদগী শকখঙদবশিং অদুনা পুংখায় অমরোম নোংমৈ কাপথরকখি। মসিনা মরম ওইদুনা লম্বী অসিদা গাড়ি কয়া পনদুনা লৈখি। তুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা গাড়িশিং অদু চৎহনখি। থৌদোক অদুদা অশোক অপন য়াওবগী পাউদি লৈতে।

নীংশিংবা য়াই, নিউ হেভনদগী টি.এম. কসোমগী লম্বীগী শরুক অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা থিবা হুম্বগী থবক চখ্খদুনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাবগী থৌদোকসু লৈখ্রবনি।

ত্রোংলাউবী (এল)ঃ মমাং থাগী ৭ তা বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবীদা বোম পোকখায়বদা লৈখিদ্রবা অঙাং অনিগী মথৌ মঙম ঙসি পাঙথোকখ্রে। লৈখিদ্রবা অঙাং অনিগী হকচাং অদু রিমসকী মোর্গতগী য়াম্লবা মীয়ামা লৌরুরবা মতুং অরোইবা মথৌ মঙম ফৌগাকচাউ ইখায়গী লমথাবুং লম্পাক্তা পাঙথোকখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা চহি মরিরোমগী নুপামচা অমা অমসুং থা মঙা খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা লৈখিদবনি। থৌদোক অদুদা অঙাং অনিগী মমানা শোকখিবনি। থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা ইমুং মনুং অমসুং মীহাৎ অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে.এ.সিনা অশিবা হকচাংশিং লৌদনা লাকপনি।

রোবিন্দ্রো (এল)ঃ এম.এল.এ- কোংখাম রোবিন্দ্রোনা হায়রি- রাজ্য অসিনা হৌজিক থেংনরিবা সমস্যাশিং অসি লোইশিনবা অমদি অওনবা মণিপুর অমা পুরকপদা সিভিল সার্ভেন্টশিং অমদি নহারোলশিংগী থৌদাং য়ামা চাউই।

ৱাফম অসি হন্দক্তা ফল লাউথোকখিবা এম.পি.এস.সি পরিক্ষাদা মায় পাক্লক্লবা কেন্দিদেট ওকপগী ময়াংইম্ফাল কৈথেল দুর্গা পুজা মন্দবতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফোংদোকখিবনি।

দোনেসন (এল)ঃ ঈ অমসুং হকচাংগী কয়াৎশিং দান তৌনবা ৱারেপ লৌবগী থৌরম অমা ঙসি রিবমস ইম্ফালগী ব্লড সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু বিষ্ণুপুর জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি (আই.আর.সি.এস) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ, নিউ লাইফ ফাউন্দেসন থপাপোকপী, সয়াতাব ফাউন্দেসন বিষ্ণুপুর প্রান্ট, মণিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট ব্লড ট্রান্সফ্যুজন কাউন্সিল, রিমসকী দিপার্টমেন্ট ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন অমসুং ইন্সটিট্যুট অসিগী ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট প্রোগ্রামগা খুৎশমরগা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা আই.আর.সি.এস মণিপুরগী ফাউন্দর চেয়ারমেন ইরেংবম জগেশ্বর অমদি নম্বোল কোংখাম অৱাং লৈকাইদগী হুইরেম মঙ্গি সিংহনা মশা মশাগী হকচাং পুন্বা দান তৌনবা ৱারেপ লৌখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা আই.আর.সি.এসকী থৌমীশিং অমদি নিউ লাইফ ফাউন্দেসন থপাপোকপীগী ষ্টাফশিংনা ঈ দান তৌখি।

অর্থর ঃ রাজ্যগী ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট অমদি জি.এ.দিগী মন্ত্রি ওইনা থৌপুরম্বা এ.এস. অর্থর ঙসি অয়ুক লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৯৯ শুখ্রবা এ.এস. আথর অহানবা ওইনা ইং কুমজা ১৯৮৪ দা ইন্দিপেন্দন্ট মীরেপ ওইনা উখ্রুল বিধান সভা কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইনা কাররকখি। তুংদা, ১৯৯৫ তা কংগ্রেস দলদা য়াওদুনা ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট অমসং জি.এ.দিগী মন্ত্রি ওইরম্মী।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী-সোথিং পাউমীনা হায়-লৈখিদ্রবা এ.এস. আথরগী অরোইবা মথৌ মঙম মহাক্কী পোকফম লমদম উখ্রুল জিলাগী সংসক ফুংহোনদা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোক্কনি। মহাক হৌজিক হৌজিক

আউটর লোক সভা কেন্দ্রগী এম.পি. অলফ্রেদ কাঙম অর্থরগী অপোকপনি।

লুচিংবা অসিনা লৈখিদবদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা অৱাবা ফোংদোরক্লি। ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- এ.এস. অর্থর অসি মীয়ামগীদমক কৎথোক্তুনা য়াইফনবা থবক তৌরম্বা লুচিংবনি। মহাকা লৈখিদবদা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অহোবা অমা ঐখোয়দা লৈহৌরগনি। মুখ্য মন্ত্রিনা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

বিধান সভা অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনসু এ.এস. অর্থরনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি। ৱারোল অমদা মহাকা হায়- এ.এস. অর্থর অসি ফিদমনিঙাই ওইরবা লুচিংবা অমনি। মহাকা রাজ্য অসিগীদমক তৌরম্বা থবকশিং অদু ঐখোয় পুমমকা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। মহাকা লৈখিদবদা ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবা অদুদসু শরুক য়ারি হায়না ফোংদোরক্লি।

ওবিৎ (এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালগী শৈরেংবী হাওবম মিরাবাই দেবী হৌখিবা এপ্রিলগী তাং ৩০ শগোলশেলন নুমিৎতা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৭২ শুখ্রে।

অম্বা (এল)ঃ ওল মনিপুর বার এসোসিয়েসন (অম্বা) না শিনদুনা সেন্সিতাইজেসন ওন এন.আর.সি. হায়বা হীরমদা ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এসতা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এম.পি. বিমোল অকোইজম, সেনিয়ার এদভোকেট-খাইদেম মণিনচিংবা শরুক য়াখি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল জিলাগী লমফৌ পসনাদা খৃষ্টান লাইনিং হৌদোরকখিবা চহি ৭০ শুবগী কুমওন থৌরম ঙসি জিলা অসিগী হোলি ত্রিনিতি কেথোলিক চর্চতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মোদি বেপটিষ্ট চর্চ য়াওনা অনাল কেথোলিক চর্চকী লুচিংবশিং, লমফৌ পাসনা দোনবোস্কো স্কুলগী মহৈরোই অমসুং ৱিমেন সোসাইতিগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসকী সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম অমসুং কেন্দ্র সরকারগী স্কিল ইন্দিয়া মীসনগী মখাদা চুরাচান্দপুর জিলাগী খুগা শেমগৎখিবা উনাউ স্কিল দিভলপমেন্ট সেন্তরনা মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লে। সেন্তর অসিগী ত্রেনিং লোইখ্রবা অমদি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিতালিতি ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংদা থবক ফংখ্রবা নহা ১৭ ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা চুরাচান্দপুরগী এল.এম. খৌতেনা হায়-নহাশিংগী নিংথিনা লমজিংবীরবদি মশাগী খক নত্তনা সমাজদা অচৌবা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙম্মী।

অসাম রাইফলসনা নহাশিংবু মরোমদোম লেপচবা ঙমবা পীরিবা ত্রেনিংশিং অদুবু শিংথারদুনা এম.এল.এনা সেন্তর অসিদা মহাক্কী মাইকৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়নসু ফোংদোকখি।

ককচিং (এল)ঃ রাজ্য অসিদা ঈশিং ঈচাউ অমদি মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা মীয়ামা শেম শাদুনা লৈননবগী পান্দমদা অখন্নবা জোইন্ট ফ্লড রিলিফ কেপসুল ত্রেনিং অমা ঙসি ককচিং জিলাগী খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল লেকতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। অসাম রাইফলসনা নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী ১২ শুবা বত্তাল্লিয়ন অমসুং এন.সি.সিগী ফার্ষ্ট মণিপুর এয়ার স্কৱাদ্রোনগা খুৎশমরগা পাঙথোকপা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ঈশিং ঈচাউ থোরকপা মতমদা পার্সোনেলশিং অসিনা করমা মী অমসুং লন থুম কনগনি হায়বগী মতাংদা তাকপী তম্বীখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা পার্সোনেল অমসুং কেদেট ১২৬ না শরুক য়াখি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি। মফম খরদনা পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংবা নুংশিৎ শিৎলবা য়াই।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়- লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা তেংমেংলোং, সেনাপতি, জিরিবাম, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাদা মখা তানা নোং চুরবা য়াই।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-মনিপুর য়াওনা নাগালেন্দ, মিজোরাম, ত্রিপুরা, অসাম, মেঘালায়া, নোংচুপ বেঙ্গোলগী সব-হিমালয়ন অমসুং সিক্কিমদা ঙসি নোং কন্না চুগনি।

বিভাগ অসিনা হায়-তামিল নাদু, পুদুচেরি, করাইকল, কেরলা অমসুং মহেদসু নোং চুবগী ফিভম অসি মায়োকগনি। জম্মু কাশ্মির, ইষ্ট রাজস্থান, মধ্য প্রদেস, বিহার, ছাতিসগর, উরিষ্যা অমসুং অন্ধ্র প্রদেসকী সমুদ্র খোঙবানশিংদদি নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা অখাক অরাও তৌগনি হায়রি।

বেঙ্গল ঃ নোংচুপ বেঙ্গোলগী বিধান সভা কেন্দ্র অনি মগ্রাহাট পসিম অমসুং দাইমন্দর হারবরদা ঙসি অমুক হন্না ভোৎ থাদনক্রে। মগ্রাহাট পসিমদা ভোৎ থাদবগী চাং চাদা ৮৬ অমসুং দাইমন্দর হারবরদনা চাদা ৮৮ গী চাংদা ভোৎ থাদনখি। ভোৎ অয়ুক পুং ৭ তগী থাদনবা হৌখিবনি অদুগা নুংথিল পুং তরুক ফাওবা থাদনখি। মাগ্রাহট পাসচিম বিধান সভাগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ অমসুং দাইমন হারবর বিধান সভাগী পোল্লিং ষ্টেসন মরিদা ঙসি অমুক হন্না ভোৎ থাদনখিবনি।

ইলেক্সন কম্মিসননা হুকুম অমা থোক্কুনা বিধান সভা কেন্দ্র অনি অসিদা মীখল হন্না পাঙথোকবা খঙহনখিবনি।

অমরোমদা, অসাম, তামিলনাদু, কেরলম, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটেরি পুদুচেরি বিধান সভা মীখলগী ভোট মশিং লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থিনবা শেম শাবগী থবক চথুরি।

কিল্ড ঃ ছত্তিসগরগী কানকের-নরায়নপুর জিলাগী ঙমখৈদা আই.ই.দি অমা পোকখায়বদা সেক্যুরিতি পার্সোনেল অহুম শিরে, অমনা শোক্লে। পুলিসকী পাউ মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ভ গার্দ (দি.আর.জি)শিং আই.ই.দি অদু লৌথোকরিঙৈদা

পোকখায়রকপদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

বাস্তর রেঞ্জগী আই.জি.পি. সুন্দরাজ পিনা হায়- সরকারদা চংজরক্লবা মাওইষ্টশিং অমসুং অতোপ্পা মফমশিংদগী ফংবা পাউ মতুংইন্না বাস্তর লমদমদা হৌখিবা থা খরা অসিদা আই.ই.দিশিং লৈরে হায়বদগী ওপরেসন চথখবদা আই.ই.দি কয়া ফংবা ঙমখ্রবনি।

অমরোমদা, মহারাষ্ট্রগী থানে জিলাগী দহিসার ভায়াংদর লিঙ্ক রোড প্রোজেক্টকী শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথরিঙৈদা ক্রেন অমা তেক্লকপদা শিন্মী অনি শিরে। থৌদোক অসি ঙসি ক্রেন অদুনা খঙহৌদনা তেক্লকপদগী শিন্মীশিং অদুগী মথক্তা ননশিনবদগী থোকখিবনি। ভায়াংদর পুলিসকী মতুংইন্না থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে অমদি থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক হৌখ্রে।

ভাইব্রেন্ট ঃ ভাইব্রেন্ট গুজরাত রিজনেল সম্মিৎ ঙসি গুজরাতগী শুরটতা লোইশিনখ্রে। মীফম অদুদা লুপা কোতি লাখ ৩ লিশিং ৫৩ গী য়ান্না ৱারোল লিশিং ২,৭০০ হেন্না সহি তৌনখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা কেন্দ্রগী মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়- মালেমগী ওইনা সপ্লাই চেনদা পীরকপশিং অদু ভারতনা খুদোংচাবা ওন্থোক্তুনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা পোত্থোক পুথোকপা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙমলে। মহাকা হায়- লৈবাক অসিনা তোঙান তোঙানবা পোত্থোক কয়া পুথোকপগা লোয়ননা ভিক্সিত ভারতকী মঙলান অদু মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা মীফম অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙম্লগনি। মীফম অসিগী মনুংদা সহি তৌনখিবা য়ান্না ৱারোলশিং অদুনা লাক্লিবা চহি অহুম অসিদা নহা লাখ ৩ লোমদা হকথেংননা থবক পীবা ঙমহল্লগনি।

এলার্ট ঃ লৈবাক অসিগী টেকোলোজি শিজিন্নদুনা শাজবা সেল ব্রোদকাষ্টিং সিষ্টেম ঙসি হৌদোকখ্রে। সিষ্টেম অসিনা খুদোংথিবা থৌদোক অমা থৌক্লক্কদৌরে হায়না মাংজোননা মীয়ামদা পাউ খঙহনবা ঙম্লগনি। ঙসি

হৌদোক্লিবা সেল ব্রোদকাষ্টিং সিষ্টেম অসি ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মমাং মোইবাল ফোন শিজিন্নরিবা মীপুম খুদিংমক সাইরেন য়াওনা নোতিফিকেসন অমা থাখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা কম্যুনিকেসন মন্ত্রি জ্যোতিরাদিত্যা সিন্দিয়ানা হায়- ঙসি হৌদোক্লিবা সিষ্টেম অসি টেলি কম্যুনিকেসন বিভাগ অমসুং নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিগা খুৎশমদুনা পায়খৎপনি। মসি মখা তারপদা লমদম লমদমদুগী লোলশিংদা অসিগুম্বা মখলগী নোতিফিকেসন অসি লাকনি।

মীফম ঃ ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী সেক্রেতরি চনচল কুমারনা বিহার অমসুং ঝারখন্দগী অকাশবানি, দুরদর্সন, প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো অমসুং সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসনগী মীহুৎশিংগা ঙসি উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

মীফম অদুদা শ্রী চনচল কুমারনা হায়- তোঙান তোঙানবা মেদিয়া য়ুনিতশিং অসি পুনশিন্দুনা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা অফবা মরুওইবা পাউশিং দিজিতেল মিদিয়াগী খুথাংদা খঙহল্লবদি মীয়ামদা কান্নবা কয়া পীগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং ঃ শ্রীশী গোপালদেব মান্দপ য়াইস্কুলদা পাঙথোক্লিবা অহুমসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা এন্দ কুমারি ককচিংতাবম অমিতা দেবী মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ওইনাম কাংখুৎনা থাংমৈবন্দ কাংখুৎনা পাঞ্জল ২২-১৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। তুরনামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা কৈশামথোং কাংখুৎ অমসুং ওইনাম কাংখুৎ শান্নরগনি।

ফুটবোল ঃ কিয়ামগৈ হৈবোংমখোং গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৪ শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমসুবা ক্বাটর ফাইনেলদা কে.এফ.এ.

লাইফম খুনৌনা সাই উৎলৌবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। মরিসুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা দি-স্কবার নোংমৈবুংনা এস.য়ু.এফ.এনা শগোলবন্দবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ শামুরৌ মখা লৈকাইদা চখুরিবা অনিশুবা মাইচৌ শামুরৌ চিংগোং ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা টু ব্রদরসনা পাউবিতেক এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-১ দা অমসুং দ্রোসা ইন এফ.সিনা চজিং এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ইশোক এফ.সি অমসুং মিলনজোয় এফ.সি. পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

বেদমিন্টন ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার ককচিংনা শিনবা অসমিতা বেদমিন্টন ৱিমেন্স সিতি লিগ ঙসি ককচিংগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্তর ডাঃ ময়েংবম ভেতো সিংহ্ অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট নাওরেম বটেন শরুক য়াখি।

বেদমিন্টন ঃ তমেংলোং জিলাগী ১২ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ তমেংলোং মিনিয়ম ষ্টেদিয়মগী বেদমিন্টন হোলদা ঙসি লোইশিনখ্রে। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিয়েসন্না শিনবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা নোনে, খৌপুম অমসুং হাওচোং সব-দিভিজনদগী শান্নরোইশিংনা শরুক য়াখি।

ৱুসু ঃ ৱুসু এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী টেকিকেল ওফিসিয়েলশিং খনগৎপদা মণিপুরদগী ওফিসিয়েল অহুম য়াওরে। ওফিসিয়েলশিং অদুদি- সনদাদা থোংগ্রাম বিনাপানি দেবী অমসুং নাওরেম নিরোদা দেবী, তাওলুদা অঙোম সনাথোইবী চনুনি।

------